

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, DECEMBER 11, 2019 PAGE 7


*ইটালিগী ক্লব ইন্টরগা শান্নগদৌরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী মেটচতা য়াওরোইদৌবগী ফিভমদা লৈরিবা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসি*

*কানাদাগী এঠলেট ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লামগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী লৈবাক অসিগী শান্নরোই বিয়াঙ্কা এন্দ্রিস্কু*

## কৃষ্ণন অমসুং পিঙ্কি রানীনা বোক্সিংদা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে, ইন্দিয়ানা পুন্না মেডল ৩১২ ফংদুনা মকোক ওইখ্রে







*কাঠমান্দু, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্ফু ওইরগা থা অসিগী ১ দগী চথরকপা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণন অমসুং পিঙ্কি রানীনা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে, ইন্দিয়ানা রেকোর্দ ওইনা অপুনবা মেডল ৩১২ লৌদুনা মেডল টেল্লিদা মকোক ওইখ্রে।

সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়ানা মখা তানা মেডল ১৮ হাপচিনবা ঙমখি। মেডলশিং অসিগী মনুংদা গোল্ড ১৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ অমনি। মেডলশিং অসিগী মনুংদা বোক্সিংদা গোল্ড ৬ অমসুং সিলভর মেডল অমা ফংবা ঙমখি।

নেপালনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৭৪, সিলভর ৯৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫৪ পুন্না মেডল ৩১২ ফংদুনা মেডল টেল্লিগী মকোক ওইখি। য়ুম্ফু নেপালনা গোল্ড ৫৬, সিলভর ৬০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯৫ পুন্না মেডল ২০৬ ফংলগা মেডল টেল্লিগী অনীশুবা তাখি। অদুগা শ্রী লঙ্কানা গোল্ড ৪০, সিলভর ৮৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১২৮ পুন্না মেডল ২৫১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াই, গেমস অসিগী কুমজা ২০১৬ দা গুৱাহাটি অমসুং শিল্লংদা পাঙথোকখিবা ইদিসনদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৮৯, সিলভর ৯০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩০ পুন্না মেডল ৩০৯ ফংবা ঙমখিবনি। হন্দক নেপালদা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা ফংখিবা মেডল অসিনা গেমস অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াম্বা মেডল মশী ওইবগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখ্রে।

সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা বোক্সিং মশান্নদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণন অমসুং পিঙ্কি রানীনা গোল্ড মেডল অমমম লৌখ্রে। ইন্দিয়ানা বোক্সিং মশান্নদা পুন্না মেডল ১৬ ফংখ্রে।

২০১৮ এসিয়ান গেমস ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী ভিকাস কৃষ্ণননা কেজি ৬৯গী ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা পাকিস্টানগী বোক্সর গুল জ াইবপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

নুপাগী কেজি ৯১ মথক্কী ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী নরেন্দরনা গেমস অসিগী য়ুম্ফু লৈবাক নেপালগী বোক্সর আসিস জুৱাদিবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

বোক্সিং মশান্না অসিগী নুপীগী কেজি ৫১ গী ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর পিঙ্কি রানীনা নেপালগী রাই মালাবু য়াম্না নক্কবা পোইন্ট ৩–২ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সোনিয়া লাথরসু ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা শ্রী লঙ্কাগী কৃসমী আয়োমাবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখি। নুপীগী কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মঞ্জু বাম্বোরিয়াসু ফাইনেল বাওটতা নেপালগী পুনম ৱাৱলবু পোইন্ট ৩–২ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

গেমস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী বাস্কেটবোল ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম্না শ্রী লঙ্কাবু পোইন্ট ১০১–৬২ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। নুপীগী বাস্কেটবোল ফাইনেলদসু ইন্দিয়াগী টিম্না গেমস অসিগী য়ুম্ফু নেপালবু পোইন্ট ১২৭–৪৬ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল অমসু হাপচিনবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা স্কৱাস টিম্না গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি অদুগা নুপীগী টিম্না সিলভর মেডল লৌখি।

ইন্দিয়ানা টাইক্বান্দোদা গোল্ড ৯, বেদমিন্টনদা গোল্ড ৫, ত্রাইথলোনদা গোল্ড ২, এঠলেটিক্সতা গোল্ড ১২, ভোল্লিবোলদা গোল্ড ২ অমসুং টেবল টেন্নিসতা গোল্ড মেডল ৭ লৈবগী মনুংদা ৭ মক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ৱুসুদা গোল্ড ১১, স্বিম্মিংদা গোল্ড ২৭, সাইক্লিংদা গোল্ড ৪, নুপীগী হেন্দবোলদা গোল্ড ১, জুদোদা গোল্ড ১০ সু লৌবা ঙমখি।

2019 South Asian Games Medal Tally

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| **1** | **India** | **174** | **93** | **45** | **312** |
| 2 | Nepal* | 51 | 60 | 95 | 206 |
| 3 | Sri Lanka | 40 | 83 | 128 | 251 |
| 4 | Pakistan | 31 | 41 | 59 | 131 |
| 5 | Bangladesh | 19 | 32 | 87 | 138 |
| 6 | Maldives | 1 | 0 | 4 | 5 |
| 7 | Bhutan | 0 | 7 | 13 | 20 |

## দোপিংগী ৱাথোক্লা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা অচৌবা অয়েৎপা অমা ওইরি ঃ রিজিজু

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*





লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংদা হন্দক চহী অসিদা দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইবগী ৱাথোক কয়া থেংনরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী লমদা অয়েৎপা কয়া অমা ওইরি হায়না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ফিল্ম এক্টর সুনিল সেট্টিবু নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) গী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা লাওথোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

রিজিজুনা মখা তানা হায়, মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস অসি য়াম্না শেঙনা থবক তৌবগী মমি তাহন্নবগী দোপিংগী মতাংদা শান্নরোইশিংদা এৱেরনেস পাক শন্না পীবগী তঙাইফদবা অমা লৈরে। ইন্দিয়াগী মপান লমশিংদা শান্নবা চৎপদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিং অদু দোপিং টেষ্ট ফেল ওইবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা মায় খুবা অমনি।

দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইরিবা শান্নরোইশিং অসি মশানা খঙনা অথিংবা পোৎলমশিং অদু শীজিন্নখিবা খক নত্তনা মশানা শুকখঙখঙদনা শীজিন্নবদগী দোপ টেষ্টতা ফেল ওইবা কয়া য়াওরি। মরম অসিনা অসিগুম্বা হিরমশিং অসিগী মতাংদা শান্নরোইশিংনা মমুৎ তানা খঙনবা তাকপী তম্বীবা মথৌ তাই।

মহাক্না মখা তানা হায়, টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসি শুপ্নগী থা ৮ লোমতমক ঙাইরক্লবা মতাংসিদা লৈবাক অসিগী শান্নরোই কয়ানা দোপিং টেষ্টশিংদা ফেল ওইশল্লকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। চৎলিবা চহী অসিদা শান্নরোই ১৫০ হেন্না দোপিং টেষ্টতা ফেল ওইখি, মসিগী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমদি বোদি বিল্ডর্সশিংনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোচ কয়া, ডোক্টর কয়া অমদি মীওই কয়ানা শান্নরোইশিংবু লান্না লমজিং বিরে হায়বা খঙই। মসিমক লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মথক্তা লৈঙাক অসিনসু অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা নাদাগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা হায়, নাদানা দোপিং টেষ্ট পাক শন্না তৌরিবা অসি পার্ফোমেন্স বুষ্টর দ্রগ শীজিন্নবা শান্নরোইশিংদা চৈরাক পীনবখক্তগী নত্তে। মসিনা শান্নরোইশিংদা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নবা য়াদে হায়বা অমা উৎনবনি। মরম অসিনা শান্নরোইশিংনা মীংচৎকীদমক্তা অশম্বা লম্বী থিবিগনু হায়না শান্নরোইশিংদা আপিল তৌখি।

অসিগুম্বা দোপিং টেষ্টকী মতাংদা স্কুল লেভেলদগী হৌদুনা এৱারনেস কেম্পেইন কয়া পাঙথোকপা পাম্মী হায়না নৌনা এম্বেসেদর ওইনা খল্লবা সুনিল সেট্রিনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নবা, তশেংনা অথোই–অহেন তান্নবগী চাংদম্নবা অমা ওইহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## ওলেম্পিক্স বেন তৌখিবদগী রুশিয়ানা অশাওবা উৎখ্রে

*লোজেন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না দোপিংগা মরী লৈননা রুশিয়াবু কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অমসুং ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কাটার ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়াওনা চহী ৪ অথিংবা থমখিবদা রুশিয়া লৈবাক্না অশাওবা উৎখ্রে।

ৱাদাগী লোজেনদা ফমখিবা ইকজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মিটিংনা রুশিয়াবু দোপিং কেসকা মরী লৈননা ওলেম্পিক গেমস অমসুং ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়াওনা মরুওইবা টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা চহী ৪ অথিংবা থমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, রুশিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সি (রুশা) না মোস্কোদা লৈবা লেভোরেটরীদা চথরিবা দোপিংগা মরী লৈনবা দেতাশিং অদু ৱাদাদা পীখৎলক্কবা খঙহনখিবা লৈখি। অদুবু লৈবাক অসিগী দোপিংগী বোদি অমা ওইরিবা রুশানা পীখৎলকখিবা দেতাশিং অদু শেংদবা শেমদোক–শেমজিন তৌবনি হায়না ৱাদানা মরাল শীদুনা রুশিয়াবু চহী ৪ অথিংবা থমখিবনি।

মেজর গ্লোবেল স্পোর্টিং ইভেন্ট ওইরিবা টোকিও ওলেম্পিক্স অমসুং কাটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়াওবদা রুশিয়াবু অথিংবা থমখিবদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা অশাওবা উৎখিবনি।

## দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসতা টাইটলগী মীৎয়েং থম্লি

*গুৱাংঝৌ, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*



চাইনাগী সিটি গুৱাংঝৌদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু দোলর ১,৫০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা বেদমিন্টন মশান্নগী সিজন অসিগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা বি দব্লিয়ু এফ টুর ফাইনেলসতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা টাইটলগী মীৎয়েং থম্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা বি দব্লিয়ু ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিগী মমাঙগী ইদিসনগী ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৯, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরগ্লগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, পি ভি সিন্ধুনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা স্বিটজরলেন্দগী কোনুং বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুবু মখা তানা শান্নরকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা পার্ফোমেন্স ফজনা উৎপা ঙমদনা লাক্লি।

জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপনদা ওলেম্পিক সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সিন্ধু ফাইনেল চঙবা ঙমখি। কোরিয়া ওপন অমসুং ফুঝৌ চাইনা ওপনদা অহানবা রাউন্দশিংদা লৈহৌখি। চাইনা ওপন, দেনমার্ক ওপন অমসুং কোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংদা পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। সিন্ধু ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

হয়েংদগী চৎথগদৌরিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধু গ্রুপ 'এ' দা লৈরি। মহাক্কা লোয়ননা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফৈ, অহুমশুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচি, অমসুং ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজি য়াওগা পুল্লি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী গ্রুপ 'বি' দা অনীশুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন, ৪শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারা, ৫শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং ৭শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী বুসানন ওংবামরুংফান তাম্নিররি।

গ্রুপশিং অসিদগী মকোক থোংবা শান্নরোই ২ /২ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি। বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা গ্রুপ 'এ' গী অহানবা মেটচ ওইনা হয়েং ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা শান্নগনি। হয়েং শান্নগদবা অতোপ্পা মেটচ অমদা চাইনাগী শান্নরোই অনী চেন য়ুফৈ অমসুং হি বিংজিয়াও শান্নগনি। সিন্ধুগী অনীশুবা মেটচনা চাইনাগী চেন য়ুফৈগা শান্নরগনি।

## ক্লব ১০০ হেনবনা ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগতা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে ঃ এ আই এফ এফ

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*



লৈবাক অসিগী ক্লব ১০০ হেনবনা হেরো ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগতা শরুক য়ানিংবদগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে হায়না এ আই এফ এফকী একজিক্যুটিভ কম্মিটিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা চেয়র লৌদুনা ফমখিবা একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং অসিদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ৱুমেন'স লীগতা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৪ দগী লাকপা ক্লব ১০৮ না শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ৱুমেন'স লীগ অসিদা মেটচ মশীং হেনগৎপগী মথৌ তাই হায়না আই–লীগকী সি ই ও সুনান্দো ধারনা ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসনগী একজিক্যুটিভ কম্মিটিনা শেমদোরকখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৯–২০ গী ইন্দিয়ান সুপর লীগকী চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবা টিম অদুনা এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগ ২০২১ দা দাইরেক্ট শান্নবা য়াহনবা অদুগা কুমজা ২০১৯–২০ গী আই–লীগ চেম্পিয়ন ওইবা ক্লব অদুনা এ এফ সি কপ ২০২১ দা দাইরেক্ট শান্নবা য়াবগী ৱাফম অদু হায়নবা আই লীগকী সি ই ও সুনান্দো ধারনা ফোঙদোকখি।

ঙসি ফমখিবা কম্মিটি অসিনা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা অমরেন্দ্র সারন অমসুং মমাঙগা মোহন বগানগী সেক্রেটরী ওইরম্বা অঞ্জান মিত্রগী মফমদা মিনিট অমা তুমিন্না লৈদুনা নুংঙাইতবসু ফোঙদোকখি।

এ আই এফ এফকী একজিক্যুটিভ কম্মিটি অসিনা নেপালনা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা নুপীগী ফুটবোলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নুপী টিম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুগা আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী নম্বর ৱান গোলকিপর ওইরিবা গুরপ্রিত সিংহ সান্ধুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখিবদা মথং চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিমগী অনৌবা হেদ কোচ থোমাস দেন্নরবিগী মখাদা অকনবা ত্রেনিং চত্থরি।

সুনান্দো ধারনা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টর্স মিনিষ্ট্রিগা চুংশিন্নদুনা খেলো ইন্দিয়া য়ু–১৭ গালর্স লীগ চথদুনা ফিফা য়ু–১৬ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ানবগী মতিক চাবা শান্নরোই থিনবা হোৎনরি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২১ দগী শান্নরোই ৩০,০০০ রোম্না পুশিন্দুনা গোল্ডন বেবী লীগ পাঙথোক্তুনা নুপীমচাশিংবু স্পোর্টসতা মায় ওনশিলহনগনি হায়না ধারনা মখা তাখি।

এ আই এফ এফকী এনুয়েল জেনরেল বোদি মিটিং অদু মথং চহীগী জনুৱারী ১৩ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা আর্সনেলনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু ৩–১ দা থোইখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা আর্সনেলনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

আর্সনেল অমসুং ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদনা শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী শান্নবগী মিনিট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। মেটচকী ৩৮শুবা মিনিটতা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এঞ্জেলো ওগবোন্নানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনিটতা আর্সনেলগী শান্নরোই গাব্রিয়েল মার্টিনেল্লিনা গোল অমা চন্দুনা ইক্কেলাইজর ওইহনখি। ৬৬শুবা মিনিটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই নিকোলাস পেপেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

আর্সনেলনা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ৩ লৈরগা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি আর্সনেলনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৬৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | N | E | ■ | H | O | L | S | T | ■ | A | L | L | I |
| O | L | A | V | ■ | A | G | I | L | E | ■ | R | E | E | D |
| L | O | V | E | R | S | L | E | A | P | ■ | M | A | I | L |
| K | E | Y | N | O | T | E | ■ | G | I | R | A | F | F | E |
| ■ | ■ | ■ | S | O | A | R | S | ■ | D | U | D | S | ■ | ■ |
| P | E | S | O | S | ■ | S | O | B | ■ | L | A | P | S | E |
| I | N | P | U | T | S | ■ | F | A | D | E | ■ | R | E | X |
| P | O | E | T | ■ | I | R | A | T | E | ■ | G | I | G | I |
| E | L | L | ■ | D | R | A | B | ■ | W | A | L | N | U | T |
| S | A | L | S | A | ■ | W | E | B | ■ | R | A | G | E | S |
| ■ | ■ | B | O | Z | O | ■ | D | E | N | T | S | ■ | ■ | ■ |
| G | R | O | C | E | R | Y | ■ | G | E | I | S | H | A | S |
| M | A | U | L | ■ | B | U | N | G | E | E | J | U | M | P |
| A | C | N | E | ■ | I | L | I | A | D | ■ | A | L | E | E |
| N | E | D | S | ■ | T | E | A | R | Y | ■ | W | A | N | D |


SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL

POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL

Recognised by the BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN

FOR THE ACADEMIC SESSION 2020

FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days